# থবক্তগী মফম লৌথোকপীখ্রবা ওজাশিংগী খোঙজংদা পুলিসনা কা হেনবা থৌওং চথখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সি): অগরটালাগী কুঞ্জবানদা ঙসি ষ্টেট অসিগী থবক্তগী লৌথোকপীখ্রবা ওজাশিংনা পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্তুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা ত্রিপুরা পুলিসনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথখিবা অদুবু ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা ওপোজিসন লীদর মনিক সরকারনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা হিরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মনিক সরকারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ত্রিপুরা হায় কোর্টনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ওজা ১০,৩২৩ মমাং চহীগী অঙনবা শরুক্তা থবক্তগী টর্মিনেট তৌখিবনি। হায়রিবা ওজাশিং অসিনা মখোয় টর্মিনেট তৌবগী মরম চাদে অমদি অথুবা মতমদা মখোয়বু হান্নগুম মথৌ তৌহনগদবনি হায়না লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু লৈরিবা লৈঙাক অসিনা করিমত্তা খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈথোক্লি। ঙসি থবক্তগী লৌথোকপীখ্রবা ওজাশিং অসিনা চীফ মিনিষ্টরদা মখোয়গী পেন্দবগী ৱাকৎ পাউদম্বা লাকখিবা অদুবু তরাম্না ওক্তুনা মখোয়গী অপাম পামদা হঙদোক্তুনা ৱারী শাবগী তাঞ্জা লৌবগী মহুত্তা পুলিস শিজিন্নদুনা তানখায়হনবগী থৌওং অদু লাইবক থিবনি। খোঙজং চঙশিনখিবা ওজাশিং অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা ত্রিপুরা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখি অমদি ৱাটর কেননশিং ফাওবা শিজিন্নখি। মদুদা ওজা কয়া অশোক অপন নংখি হায়নসু ক্লেইম তৌরক্লি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা তৌরিবা অদু মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌনি। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা হায়বসি মখোয়গী মথৌনি। থবক লৌথোকখ্রবা ওজাশিং অদুগী খনবদা মহাক নুংঙাইতবা ফাওই। অথুবা মতমদা ওজাশিং অদুগী মীহুৎশিংগা উন্ননবা হোৎনরগনি হায়রি। অমরোমদা ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টরন রতন লাল নাথনসু থবক্তগী লৌথোকখ্রবা ওজাশিং অদুগা উননবা ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা শেম শাবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।



# চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সম; অমসুং সধগুরুনা এন টি সীগী চৎন কাঙলোনশিং থুগায়খি



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সি): হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্ম অমদি স্পিরিচ্যুল লীদর সধগুরুনা জিপ সফারি তৌখিবা অদুদা নেসনল টাইগর কঞ্জর্বেসন ওথোরিটিগী চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়খি হায়না তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

লুচিংবা অনীনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা জিপ সফারি তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা কজিরঙ্গ নেসনল পার্ক মনাক নক্লা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, অসামগী টাইগর রেঞ্জদা চীফ মিনিষ্টর অমদি সধগুরুনা জিপ সফারি তৌখিবা অদু রুলগী ৱাংমদনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা টাইগর রেঞ্জ খুদিংমক্কী ওইনা জিপ সফারি তৌবা মতমদা ঙাক্লা চৎকদবা চৎনবী লৈজে। নুমিদাংগী মতমদা করিগুম্বা জিপ সফারি তৌগে হায়রবদি গাড়ি অমগা গাড়ি অমগা য়াম্না লাপ্পনা থৌগদবনি। য়ামদ্রবদা গাড়ি অনীগী মরক্তা মিটর ৫০০ গী গেপ থমগদবনি। অদুবু হায়রিবা অসি নুমিৎ অদুদা থবক ওইনা তৌখিদে। গাড়িশিং য়াম্না নক্লনা থৌখি। মসিনা মরম ওইরগা রেঞ্জ অদুদা লৈরিবা শাশিংগী অয়েৎপা শোয়দনা পীরমগনি। মরমদি মনাক নক্লা লৈবা খুঙ্গংগী শরুক খরদা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা কৈ লাক্লম্বা য়াবগী খুদমশিং থেংনখি। মদুনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংদসু মীপাইবা পোক্লহনখি হায়রি। পনবা য়াবদি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা জিপ সফারি থৌখিবা অদু ইল্লিগেল ওইদে অমদি চৎন-কাঙলোন অমত্তা থুগায়খিদে হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সমর্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেনদগী অয়াবসু লৌখি হায়রি।

# অসামদা পুলিসনা চথখিবা থি হুম্বদা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৫ ফারে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সি): টেররিষ্টকী ওইবা থবক থৌওং কয়া পাঙথোকপদা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) গী মেম্বরশিং চেন্নে। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা পি এফ আইবু অথিংবা থমগদবনি হায়না অসাম গভর্নমেন্টনা সেন্টরদা তকশিনখ্রবা মতুং মখা তানা পুলিসনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বর ২৫ ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, পি এফ আইগী মেম্বরশিং অদু গোলপারা, কামরুপ (রুরেল), ধুব্রি, বর্পেটা, বাসকা, দরাং, উদালগুরি অমসুং করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তগী ফাখিবনি। নুমিৎ মরিনিগী মমাংদুসু অসাম পুলিসনা দেল্লি অমসুং ষ্টেট অসিদগী পি এফ আইগী মেম্বর ১১ ফাবা ঙমখি।

অমরোমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ঙল্লিঙৈদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, পি এফ আইনা ষ্টেট অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা টেরর এটেকশিং চথনবা হোৎনরি অমদি হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসি অল কাইদানা বেক তৌবা লালহৌলূপশিংগা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা লৈবাক পুম্বদা পি এফ আইবু অথিংবা থম্নবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে হায়রি।

নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) গী রিপোর্ট মতুংইন্নসু পি এফ আইগী এক্টিভিষ্টিশিংনা বি জে পি অমদি আর এস এসকী লুচিংবশিংদা টার্গেট থমদুনা থবক তৌরি হায়রি।

# অলফা-আইগী মেম্বর অমা ম্যান্মার ঙমখৈ মনাক্তগী ফারে

ইটানগর, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সী): সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙসি চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা অলফা-আইগী এক্টিব কেদর অমা অরুনাচল প্রদেশতগী ফারে হায়না হায়রি।

অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ফারবা অলফা-আইগী কেদর অদুগী মমিং দিবজ্যোটি সেনাপতি এলাইজ দিপেন অসোম কৌই। মহাক অসামগী মনুং চনবা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টগীনি। অরুনাচল প্রদেশকী তিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোগলো ভিলেজদগী লালহৌবা অদু ফাবা ঙমখিবনি। নোগলো ভিলেজ হায়রিবা মফম অসি ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনীগী তাইনবা শরুক্তা লৈবনি। ইন্টরনেসনল বোর্দরগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মরম্না মফম অসিদা লালহৌবশিংনা য়াম্না এক্টিব ওইনা থবক তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং খুদক্কী ওইবা ওপরেসন অমা চথখিবনি। মদুনা দিবজ্যোটি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

# ক্লেসন লীক ওইরম্বগী থৌদোক সী বি আইদা থিজিলহল্লগনি

ইটানগর, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশ পব্লিক সর্বিস কম্মিসননা এস ও লৌবগী পাঙথোকখিবা এগজামগী ক্লেসন লীক ওইরম্বগী মতাংদা ষ্টেট অসিদা ৱাথোক থোকখ্রবা মতুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা এগজাম অদু নৌনা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ক্লেসন লীক ওইরম্বগী থৌদোক অসি সী বি আইদা শিন্নদুনা থিজিলহল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিমক মহাক মশানা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং সাইন তৌদুনা সী বি আইদা খুৎশিন্নরগনি। হন্দক থোকখিবা থৌদোক অসি মহাক্লা য়াম্না হকচিন্না লৌই। অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা খুদিংমক লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরোক পীগনি। ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ অসিনা লৌবা এগজামগী ক্লেসন লীক ওইবা হায়বসি তরায়না লৌবা য়ারোই। অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা হোৎনগনি হায়রি।

# অসামদা হৌখিবা থা অমরোমদা টোমেটো ফ্লুগী কেস ১০০ হেন্না থেংনখ্রে : রিপোর্ট



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২৭ (এজেন্সি): অসামদা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা টোমেটো ফ্লুগী কেস ১০০ হেন্না থেংনখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অসাম নেসনল হেল্থ মিসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হিরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা থেংনখিবা টোমেটো ফ্লুগী কেসশিং অসি অয়াম্বনা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টগীনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা স্কুল ২ দা তন্নিবা মহৈরোয়শিংদা টোমেটো ফ্লু অসি শন্দোরকখিবনি। স্কুল অমদনা মহৈরোয় ২৪ দা টোমেটো ফ্লুগী কেস থেংনখি অদুগা অতোপ্পা স্কুল অমদনা পুন্না কেস ২২ থেংনখি হায়রি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদসু টোমেটো ফ্লু শন্দোরকপগী পাউ লৈরে। অদুবু হায়রিবা লায়না লায়চৎ অসি মতৌ করম্না শন্দোরক্লিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

টোমেটো ফ্লু অসি মরুওইনা চহী ১-১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাঙশিংদা নাগল্লি অদুগা চহী য়াম্লবা মশাগী ইম্যুন সিষ্টেম শোল্লবা অহল ওইরবশিংদসু নাগল্লি। লায়না লায়চৎ অসিবু ফহন্নবা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা হিদাক অমত্তা পুথোকপা লৈত্রি। কোভিদ-১৯ গুম্না টোমেটো ফ্লুসু ভাইরস মখল অমনা থোকহনবনি। অদুবু হিরম অমত্তদা কোভিদকা মরী লৈনবদি ওইদে। দেঙ্গিনা নারুবা মীওইশিংদা লায়না লায়চৎ অসি খরা হেন্না নাগল্লি। করিগুম্বা লায়না লায়চৎ অসিনা নারবদি উন্সা য়াম্না হাক্লৎচবগী থৌওংশিং থেংনগনি। করিগুম্বা মতমদা পুক নাবা, ওনিংবা ফাওবা, মরম চাদনা হকচাং চোকথবনচিংবা তৌরক্লবদি লায়না লায়চৎ অসিগী সিম্পতোম ওইরম্বা য়াই হায়না দোক্তরশিংনা ফোঙদোরক্লি।




ফেকল্টি রিসর্চ গ্রান্টস এন্দ ফন্দিং ওপোরচুনিটিস ফোর হৈসকী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা নেসনল ৱার্কশোপতা ভি সী লোকেন্দ্রনা ৱা ঙাঙবা

## CROSSWORD-3657



**ACROSS**

1 Disadvantage (8)
6 Curve (3)
9 Lithe (5)
10 Slavery (7)
11 Stare down (7)
13 Maladroit (5)
14 Something uncommon (6)
15 Sporting swordsman (6)
19 Carved brooch (5)
21 Platform for public speaking (7)
22 Side by side (7)
23 Long, pine (5)
24 A measure of 45 inches (3)
25 Song-thrush (8)

**DOWN**

2 Airman (7)
3 Female deer (3)
4 Telegraphed (6)
5 Very poor (9)
6 Astound (5)
7 Play unfairly (5)
8 Taste (6)
12 Space traveller (9)
16 Cut short (7)
17 Gypsy (6)
18 Author (6)
19 Pursue (5)
20 Wall painting (5)
23 Positive answer (3)

**Solution 3656**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4057

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | | | | | 4 |
| | 9 | 2 | | | 3 | 1 | | |
| | | 7 | | | 4 | | | 6 |
| 8 | | | | | 7 | | | 3 |
| | 2 | 9 | | | | 5 | 7 | |
| 6 | | | 1 | | | | | 8 |
| 7 | | | 8 | | | 3 | | |
| | | 4 | 3 | | | 8 | 5 | |
| 9 | | | | | 1 | | | |

### Solution-4056

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 4 | 1 | 5 | 6 | 9 | 7 | 8 |
| 9 | 8 | 6 | 7 | 3 | 4 | 5 | 2 | 1 |
| 1 | 7 | 5 | 2 | 8 | 9 | 4 | 6 | 3 |
| 4 | 1 | 3 | 8 | 6 | 2 | 7 | 5 | 9 |
| 6 | 9 | 8 | 5 | 1 | 7 | 2 | 3 | 4 |
| 7 | 5 | 2 | 4 | 9 | 3 | 8 | 1 | 6 |
| 2 | 4 | 1 | 3 | 7 | 8 | 6 | 9 | 5 |
| 5 | 6 | 7 | 9 | 4 | 1 | 3 | 8 | 2 |
| 8 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 1 | 4 | 7 |

## ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### CENTRAL AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR BUSINESS MANAGER, ASSISTANT MANAGER

Central Agricultural University Business Manager, Assistant Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Business Manager, Assistant Manager in Central Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 October 2022. Candidates can check the latest Central Agricultural University Recruitment 2022 Business Manager, Assistant Manager Vacancy 2022 details and apply online at the cau.globizsapp.com/ recruitment 2022 page.
Central Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.globizsapp.com/. Central Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of cau. globizsapp.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Central Agricultural University (CAU)
invites applications for recruitment of Business Manager, Assistant Manager
Business Manager, Assistant Manager
Job Location:
Pasighat, East Siang, - Arunachal Pradesh
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 2 Posts
Total Vacancy 2 Posts
Job Locations Pasighat
Experience 2 - 5 years
Salary 70000 - 100000(Per Month)
Posted on 19 Sep, 2022
Walkin Date 14 Oct, 2022
Educational Qualification:
Business Manager: M.Tech / MBA/CA/PGDM Equivalent Master degree in Agri Business/ Finance/ Commerce/ Marketing/ Agri Marketing/ Agri Economics/ Economics/ Technology Commercialization/ Entrepreneurship from recognized institute-having experience of 3-5 years. Preferably experience in technology commercialization; Investment banking; Banking; Project appraisal, supported incubators; Assessment and evaluation of projects startups and with experience in startup ecosystem.
Assistant Manager: M.Tech / MBA/CA/PGDM Equivalent Master degree in Agri Business/ Finance/ Commerce/ Marketing/ Agriculture/ Agri Marketing/ Agri Economics/ Economics/ Technology Commercialization/ Entrepreneurship from recognized institutehaving experience of 2-3 years. Preferably experience in technology commercialization; supported incubators; Banking; Investment banking; Project appraisal, Assessment and evaluation of projects startups and with experience in startup ecosystem.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 70000 - 100000(Per Month)
Age Limit: 50 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Business Manager, Assistant Manager in CAU.
How to Apply:
Candidates can check the walkin process for CAU Recruitment 2022 from the official notification.
Important Dates:
Published on: 19 September 2022
Last date for application is: 14 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### SAINIK SCHOOL CHHINGCHHIP RECRUITMENT 2022 FOR 5 POST GRADUATE TEACHER

Sainik School Chhingchhip Post Graduate Teacher Recruitment 2022: Advertisement for the post of Post Graduate Teacher in Sainik School Chhingchhip. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 October 2022. Candidates can check the latest Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022 Post Graduate Teacher Vacancy 2022 details and apply online at the schooleducation. mizoram.gov.in recruitment 2022 page.
Sainik School Chhingchhip Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ schooleducation.mizoram.gov.in. Sainik School Chhingchhip selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Mizoram. More details of schooleducation.mizoram.gov.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Sainik School Chhingchhip
invites applications for recruitment of Post Graduate Teacher
Post Graduate Teacher
Number of Vacancy: 5 Posts
Company Sainik School Chhingchhip
Job Role Post Graduate Teacher
Education Requirement B.Ed
Total Vacancy 5 Posts
Job Locations Aizawl
Experience Fresher
Salary 47600 - 151100(Per Month)
Posted on 21 Sep, 2022
Last Date To Apply 07-10-2022
Educational Qualification: B.Ed
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 47600 - 151100(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Post Graduate Teacher in Sainik School Chhingchhip.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Sainik School Chhingchhip - sschhingchhip. mizoram.gov.in
Step 2: Here look for the Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 21 September 2022
Last date for application is: 07 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

